# অহুমশুবা পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুঙ্কে ২০১৯

## ড্রামা ফেষ্টিভেলগী নীনিচনবা নুমিৎতা কোস্মোপোলিটান ড্রামাটিক য়ুনিয়নগী ‘ তীর্থ চৎপা ’ উৎখি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ঃ*

অহুমশুবা পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুঙ্কে ২০১৯ গী মনুং চন্না পাঙথোক্লিবা ড্রামা ফেষ্টিভেল অসিগী নীনিচনবা নুমিৎতা কোস্মোপোলিটান ড্রামাটিক য়ুনিয়ন ৰাংখৈগী ‘তীর্থ চৎপা’ উৎখি।

ড্রামা অসিদা শক্তম লাংলিবা–লাংলিবীশিংদি–সনাহনবীগী শক্তমদা তম্ফা, সনাহনবীগী মকুবোক্কী শক্তমদা কুল্লবিধু, মনেম্বোক্কী শক্তমদা প্রমো, সনাহনবীগী মপাগী শক্তমদা মুহিন্দ্রা, মমাগী শক্তমদা বিলাশিনি, অপাম্বীগী শক্তমদা থাজ, সনায়াইমগী শক্তমদা রিমোটকুমার, গৌহরিগী শক্তমদা শঙ্কর, সুমতিগী শক্তমদা রোমোলা, কাতাৰা (শম ককপা হজাম) গী শক্তমদা প্রিয়োবর্ত্ত, পাখঙ অহুমগী শক্তমদা বিজয়, এম রোমিও অমদি এম প্রিয়োবর্ত্তনি।

ঈশৈ শকপীশিংগী শক্তমদা– গীতা, সুবাসিনি, সনাতোম্বী, থোইবী, শ্যামা, জয়শ্রী, বিজয়া, মোনিকা, সিলোনী, প্রিয়োনিকা, থাজ, মেমিচা অমদি ইবেচানি। পুঙদনা মঙলেম্বনি।

ক্রেদিটসতা ষ্টেজ সেট্টিংদা মোইরাংথেম প্রিয়োবর্ত্ত, মৈদা জি ইমোতোম্বা শর্ম্মা, ফিজেৎ লৈতেং অমদি প্রদক্ষন কো–ওর্দিনেটরদা রোমোলা য়েনশেম্বম, ফিজেৎ লৈতেং তেংবাংবদা নিঙোম্বম প্রিয়োনিকা, ঈশৈ নোংমাইদা লাইশ্রম রতন, শক শেম্বদা লাইখুরাম পদ্মা দেবী, ৰারীদা কাংজম পদ্মকুমার, ড্রামাটাইজেসন ক্ষেত্রি সনাজাওবা লোয়নননা প্লে অসিবু দিজাইন অমদি তাকপী তম্বীবনা নন্দকুমার মোইরাংথেমনি।

ড্রামা অসিগী ৰারীদি ঈংনা তপ্না পাঞ্জরম্বা ইমুং অমদা থৰাই মীরেল অমনা চৎখিবগী কুমওন মতম য়ৌরক্লবা ফাওবদা মহাক্কী লোয়নবী সনাহনবী (তম্ফা)না মপুরোইবগী মিতম মমাঙদা ধুপ থাওমৈ কৎচরগা অহিং নুংথিল মতম পূম্নমক্তা নোংদম থিরবা মশাগী মরাইবক্তা তায়নদুনা তেংথা নাওওইনা কপচবনা ড্রামা অসি অহৌবা সিননি।

সনাহনবীনা মপুরোইবগী মাঙদা অয়ুক নুংথিল অনীমক্তা কপুনতা পেন্দবগী তেংথা নাওওইজবদু উরুবদা মকু–মনেম অনীমক্না মমৌ সনাহনবীগী নীংঙমদা মৈচাক মুৎহল্লনবা পাম্বে কয়া থিরকই। মখোয়না লৈরিবা য়ূমদুগী অৰাং থংবা য়ুমথংনবদা কৈরোন লৈকাইগী ইমা–ইন্দোন, ইচে–ইচল কয়ানা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী নাৎকী ওইবা শৈশক তাহল্লগা মরূপ মপীজাশিংগা তোৎন–তিনহল্লগা মমৌগী তেংথা নাওওইরিবা অৰাবদু খরদং ওইরবসু নেমথহন্নবা পাম্বে অমা পুথোরকই। মকুবোক্কী য়াথংদগী মনেম্না মখূৎ শমদুনা মমৌ সনাহনবীবু ঈশৈ তিন্নরিবা মফমদুদা পুরক্তুনা মাবুসু য়াওননবা হায়ন–শিংনবীখি। অসুম্না মীরক্তা তিল্লকপদগী মদোম ৰাজরম্বা সনাহনবীগী অৰাবদু তপ্না–তপ্না



হন্থরকখি। সনাহনবী ঈশৈ শক্লিবী ভক্তশিংদুগী মরক্তা তিন্নিংলক্লে মখোয়না লমতা থাদা চৎকদৌরিবা নবদ্বীপকী তীর্থ খোঙচৎতু য়াওরগে খল্লে। লমতা থাসিমক্কী য়াওশঙ মৈথাবা নুমিৎতা মহাক্কী মপুরোইবনা তাইবঙ মালেম অসি থাদোক্লমখিবা অদুনা মপুরোইবগী কুমওন ফিরোইসু মহাক্না মফমদুদা শোল্লগে নীংদুনা থৌরাং তৌরক্লি। ৰাফম অদু মকুবোক অমদি মনেম্মসু অয়াবা পীবীরে।

রাজেন খুমুকচম

সনাহনবী মচে মন্দোন কয়াগা লোয়নননা নবদ্বীপ য়ৌরে। মকুবোক্না ইরকপা চিঠিদুনা য়াম্না কান্নহনখি। হৌনবী মতুংইন্না গঙ্গা তুরেলদা মপুরোইবগী শরু মচেৎতুগা লোয়নননা কৎননবা মপুরোইবনা য়াম্না কল্লকচখিবা মাগী অশাংবা মুশিন মুবা শন্নাং অদুসু তেন্না ককথৎলে। শম্নাং অদু অশেংবা ফিনা য়োমশিল্লগা শরু মচেতু (অষ্ঠি)গা লোয়নননা গঙ্গাগী ঈচেলদা তিল্লুরো হায়না সনাহনবীনা মীৎলু পিরাংগা লোয়নননা গঙ্গাগী ঈচেলদা কৎচখি।

অনু প্রভুগী লাইমাঙদা ফিরোইগী থৌরম হৌনবী মতুংইন্না ভক্ত বৈষ্ণবশিংনা ঈশৈ শক্তুনা অমদা অনীরক মফম অসিদা লাক্তুনা মন্দির অসিগী অকায়–অতোয় শেমজিন শাজিনবগা লোয়নননা শীল্লি লাংলিবা মফম অসিদা থল্লিবা সনখ্যগা হিসাব পাথোক–পাশিন তৌনবনা গৌহরিগী মথৌনি। মহাক্না লৈরিঙৈ মতমসিদা মন্দির অসিদা সনাহনবীনা অয়ুক ঙন্না হৌগৎতুনা শীৎতোক–শেংদোক্তুনা ৰাইরম তৈবা মতমদা লাক্তুনা মহাক্না বৃন্দাবন দদা তীর্থ চৎনিংঙই হায়বদু চৎমিন্নসি হায়না সনাহনবীগী মফমদা হৌদোক্লরে। ৰাফম অদু সনাহনবীগী মফমদদি অচৌবা পোৎলুম অমা ওইখি। মহাক্না মপুরোইবা লৈখিদবগী কুমওন ফিরোই লোইখিবদা ঙাইরিবা মঙোন্দা থোক্লিরিবা ফিভম অসিবু করিনো হায়না মদোম ফুম্বংননা ৰাহং কয়া হংজরিঙৈ মন্দির অসিদা সেভা চৎতুনা লৈরিবী ময়াম্না ইনে হায়না কৌনবী সুমতিনা সনাহনবীদা হায়রকখি। ঐহাক মফম অসিদা লৈবদগী লাইরিক মখল কয়া ধর্ম্মগী ওইবা অমদি অতোপ্পা অফাওবা মীওইশিংনা ইরম্বা কয়া পাখ্রে। লাইরিকশিং অদুদা থেংনখিবা চঙজরক্লবা মীশক অমবু মীরাইদুনা ময়ুম মকৈ পান্দ্রিবা পাখঙনি হায়না পাউখোংগুম্বা ৰাফম অমসু থমখি। সনাহনবী খনফম খঙদনা মহাক্না খোঙচৎ অসিদা পুরক্লিবা ফোটো এলবম অদু হাংদোক্তুনা মপুরোইবগা মখোয় অনীনা লুহোংবা নুমিৎতা নমখিবা ফোটোশিং অদু য়েংদুনা মীৎলু পিরাং শিন্থনা মঙলান অমদা তাওদুনা লৈরি। অসিগুম্বা ফিভমসিদা সনাহনবী মহাক্কী মকুবোক্কা তিন্নবা সনখ্য সনায়াইমগী মতেং লৌদুনা গৌরহরিগী মরমদা থিগৎলকখি। থিগৎলবা মতুংদা গৌরহরিগী পুকচেল খঙলক্তুনা মহাক্না হৌজিক তৌগদবসি করিনো হায়না ফুম্বংনখি। নুমিৎতুগী নোংঙান্দ্রিঙৈ নাইতোম তারিবী সনাহনবীনা নীংজিং মাঙজিংনরিবা মীৎকুপ্তুদা তপ্না তপ্না চীংখৈ হুল্লক্লিবদুগা ইরোইননা লাইনিংবী ইনে অদুনা সনাহনবীগী পূন্সিগী মায়োন হোংননবা ৰা হৌদোক্লে। সনাহনবীদা থৌনা হাপ্তুনা ইনশিল্লকই, ‘ চৎলো নঙনা পাম্বা বৃন্দাবন্দগী তীর্থ চৎলু ’, চৎলু নীংহন্নগনু, মতমনা হেন্দোকখ্রগা ফংগে খনবা পোৎতু ফংদবসু য়াই চৎলু নঙ তীর্থ চৎলু হায়রক্লবদা থৌনা অমনা সনাহনবী গৌরহরিগা লোয়নননা তীর্থ চৎলগে লেপ্তুনা মখূত্তা পোৎয়োম



ঙমজবা দক্ষিনা কৎতুনা পাঙথোক্লে। অসুম্না সনাহনবীনা অয়ুক অঙনবা মী–পোং কনামত্তা হৌগৎনরক্ত্রিঙৈ মতমদা মন্দির অদুগী অকোইবদু ৰাইশিং–লমশেংজদুনা নীংথিনা ৰাই তৈথোক্লম্মী।

মফমসিদা লৈরিবা অনু প্রভুগী লাইশঙ অসিবু মপা–মপুশিংনা কৎপীরমদুনা গৌরহরি (শঙ্কর) না চহী তাম্থোক্লুরগা নীংঙল্লক্ত্রবা মতমদা অমুক তান্নদুনা থিরুবদদি ফংখিদবগী ৰারী কয়া লীদুনা সনাহনবীগী মফমদা হায়খি। গৌরহরিগী মপা মপুথৌশিংনা মফম অসিগী মন্দির অসি কৎপীরমদুনা ঙসি ফাওবদা য়েংশিঞ্জরিবা পুকচেল চাওবা ইমুংগী মীওইনি হায়না শক্তাকপগা লোয়নননা মহাক হৌজিক ফাওবা পায়দুনা থোরকপদা গৌহরিনা ঙাইরমদুনা সনাহনবীগী মখূত্তগী পোৎয়োম ওকখিবনা ড্রামা অসিগী অরোইবা শরুক ওইখি।

তাং ৮ দা পান মণিপুর থিয়েটর, অৰাং সেকমাইগী ‘লান অমসুং শৈরেং’ উৎকনি।

# ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না ঙসি ইন্দোনেসিয়াগা থেংননবগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে

*মন্দলে, এপ্রিল ০২ঃ*

এসিয়ান কন্টিনেন্টকী ওইনা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়ানবগীদমক ম্যান্মারনা য়ুম্বু ওইরগা শান্নগদৌরিবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র রাউন্দ টুগী হয়েং ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না ইন্দোনেসিয়াগা থেংননবা মপুং ফানা শেম শাবা লোইখ্রে।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম অসিনা চহী অসিগী জনুৱারী থাদা ইন্দোনেসিয়াগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অনীদা অনীমক ইন্দিয়ানা ৩–০ অমদি ২–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবা অমনা টিম অসি হন্দক্তা নেপালনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা সাফ চেম্পিয়ন্সিপ্তা টাইটল লৌবা ঙমদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী পুৰারীদা থংন–থংননা টাইটল ৫ লৌবগী রেকোর্দ অমসু থমখ্রবনি।

টিম অসিগী কোচ মেমোলনা রোক্কীনা হায়খিবদা ইন্দিয়াগী নুপী টিম অসিনা হয়েং ইন্দোনেসিয়াগা শান্নগদৌরিবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র রাউন্দ টুগী অহানবা মেটচ টিম অসিগী অচৌবা চাংয়েং অমা ওইগদৌরি। মরম অসিনা ইন্দিয়াগী টিম্না চেকশিন্না শান্নবগী মথৌ তাই হায়খি।

ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা মণিপুর মচা অসালাতা দেবীনা ফোঙদোকখিবদা টিম অসিনা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র টুগীদমক মায়োক্নবা টিমশিং থেংননবা শেম শাদুনা লৈরে। টিম অসিনা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র রাউন্দ থ্রি য়ৌননবা কন্না হোৎনগনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না চহী অসিগী জনুৱারীদগী হৌরগা রোমানিয়া, উজবেকিস্থান, ইরান, হোং কোং, কাজাখষ্টানগা লোয়নননা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র টুদা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনগদৌরিবা টিম ৩গসু শান্নবা ঙমখ্রে। মদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পীখিবা পার্ফোমেন্স য়াম্না ফজখি।

মমাঙদা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচশিং অদুদগী ফংলকপা এক্সপরিয়েন্সশিং অদু নীংথিনা শীজিন্নদুনা শান্নবা ঙম্লবদি রাউন্দ থ্রি শোয়দনা চঙবা ঙমগনি হায়নসু টিম অসিগী কেপ্টেন অসালাতা দেবীনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং অদুদি– গোলকিপরদা লিন্থোইঙম্বী দেবী, আদিতি চৌহান অমদি সোমিয়া নারায়নস্বামীনি। দিফেন্দরদা জাবামনি টুদু, স্বিটি দেবী, অশালাতা দেবী, দালিমা চিব্বর, মাইকেল কাষ্টানহা অমদি লাকো ভুটিয়ানি।

মিডফিল্ডরদা শরুক য়াগদবশিং অদুদি রঞ্জনা চনু, দাংমৈ গ্রেস, সঞ্জু যাদব, রতনবালা দেবী, সুমিত্রা কামারাজ, সঙ্গিতা বাসফোর অমদি ইন্দুমাথি কাথিরেসাননি। অদুগা ফোরৱার্দতা অঞ্জু টামাং, রোজা দেবী, মনিসা অমদি সন্ধিয়া রাঙ্গানাথননি।

ইন্দিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়ানা শান্নগদৌরিবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র রাউন্দ টুগী অহানবা মেটচ অসি হয়েং নুংথিল পুং ২ দগী শান্নবা হৌগনি।



# নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী মোমোটা নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, ইন্দিয়াগী সমির ভর্ম অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে

*কোলালম্পুর, এপ্রিল ০২ঃ*

মালেসিয়াগী কোনুং কোলাম্পলম্পুরদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা য়ু এস দোল্লর ৭০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী কেন্টো মোমোটা নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, ইন্দিয়াগী সিঙ্গলস শান্নরোই সমির ভর্ম অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে।



টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা দেনমার্ককী জান ও জোরগেসেনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২২–২০, ২১–১৩, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিগা শান্নরগনি।

ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী শান্নরোই ব্রাইস লেভরদেজবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট গেম ২১–১২, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সমির ভর্ম ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী সি য়ুক্কীগী মখূত্তা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২০–২২, ২৩–২১, ১২–২১ দা মায়থিদুনা লৈহৌখি।

ইন্দিয়াগী সমির ভর্মবু মায়থিবা পীরম্বা চাইনাগী সি য়ুক্কীনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী হুৱাং ৱাই এক্সপু ২১–১৭, ১৬–২১, ২১–১৩ দা থোইরম্বা দেনমার্ককী এ এন্টোনসেনগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা মরিশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা চাইনাগী চেন লোংনা দেনমার্ককী ভিট্টিগসপু ২১–১৩, ২১–৯ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী কে ৱাংচারোনগা শান্নরগনি।

জপানগী কে নিসিমোটোনা অহানবা রাউন্দদা ৭শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী গিন্টিংবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–১৮, ১৩–২১, ২৩–২১ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা দেনমার্ককী আর গেমকেগা শান্নরগনি।

মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা অহানবা রাউন্দদা হোং কোংগী দেংবু ২১–১৪, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী ওংবামরুফানগা শান্নরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা অহানবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী এস চিবু ২১–১৬, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী অতোপ্পা শান্নরোই এস টাকাহসিগা শান্নরগনি।

অনীশুবা সিদেদ জপানগী নোজোমী ওকুহারানা অহানবা রাউন্দদা দেনমার্ককী এম ব্লিচফেল্ডপু ২১–১৫, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী লি জুরোইগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র প্রনভ জেরি চোপ্রা অমদি এন সিক্কি রেদ্দিনা ফ্রান্সকী পেয়র এস মেগি অমদি সি মেগিবু ২২–২০, ২৪–২২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ইন্দিয়াগী পেয়র প্রনভ জেরি চোপ্রা অমদি এন সিক্কি রেদ্দিনা অনীশুবা রাউন্দদা ৩শুবা সিদেদ জপানগী ৱাটানবে অমদি হিগাসিনোবু ২১–১৬, ২১–১৫ দা থোইরম্বা মালেসিয়াগী পেয়র টান কিয়ান মেং অমদি লাই পৈ জিংগা লম্বা তৌনরগনি।

# সুপর কপ ২০১৯গী ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ শেম্বা লোইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০২ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সুপর কপ ২০১৯ গী ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ শেম্বা লোইশিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল থা অসিগী ৪ দা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী চেম্পিয়ন ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফসিনা আই–লীগকী চেম্পিয়ন চেন্নাই সিটি এফসিগা লম্বা তৌনরগনি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল থা অসিগী ৫ দা এফ সি গোৱা অমদি জমসেদপুর এফসি শান্নরগনি। অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলনা থা অসিগী ৬ তা চেন্নাইন এফসি অমদি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিনা শান্নরবা মতুং অরোইবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচনা থা অসিগী ৭ তা দিল্লি দাইনামোস অমদি এটলেটিকো দি কোলকটানা লম্বা তৌনগনি। মেটচ খুদিংমক নুমিদাং পুং ৮.৩০ দগী হৌগনি।

ক্রোসৱার্দ ১২০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | M | B | L | E | ■ | S | E | A | M | ■ | S | E | W | S |
| R | E | L | I | C | ■ | A | R | I | A | ■ | E | C | R | U |
| T | A | T | T | L | E | T | A | L | E | ■ | C | H | A | P |
| S | T | S | ■ | A | R | E | S | ■ | W | H | O | O | P | S |
| ■ | ■ | ■ | B | I | R | D | ■ | B | E | A | N | ■ | ■ | ■ |
| ■ | S | T | A | R | S | ■ | ■ | A | S | I | D | E | S | ■ |
| S | H | I | N | S | ■ | P | A | S | T | ■ | S | L | I | P |
| S | O | A | K | ■ | ■ | R | Y | E | ■ | ■ | T | I | L | T |
| T | A | R | A | ■ | S | E | E | D | ■ | C | O | O | L | S |
| ■ | L | A | C | E | U | P | ■ | ■ | H | U | R | T | S | ■ |
| ■ | ■ | ■ | C | A | R | S | ■ | D | U | T | Y | ■ | ■ | ■ |
| C | A | P | O | T | E | ■ | G | O | G | O | ■ | H | A | S |
| L | U | A | U | ■ | B | A | L | L | O | F | Y | A | R | N |
| A | T | T | N | ■ | E | V | I | L | ■ | F | E | L | L | A |
| P | O | S | T | ■ | T | A | B | S | ■ | S | T | O | O | P |

# আই পি এলদা কিংস এলভেন পঞ্জাবনা দিল্লি কেপিটেলসপু রন ১৪ দা থোইখ্রে



*মোহালি, এপ্রিল ০২ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ১৩শুবা মেটচতা কিংস এলভেন পঞ্জাবনা দিল্লি কেপিটেলসপু রন ১৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

১৩শুবা মেটচ অসিগী টোস দিল্লি কেপিটেলসনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। কিংস এলভেন পঞ্জাবনা হান্না বেট্টি তৌরকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৬৬ লৌবা ঙমখি।

টিম অসিগী ওপনর লোকেস রাহুল অমদি সাম কুরান মথংশিংনা রন ১৫ অমদি ২০ লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা মায়াঙ্ক অগরৱালসু শুপ্নগী রন ৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

মখা তানা চঙলকখিবা বেটসমেন অহুম সরফারাজ খান, দেবিদ মিল্লর অমদি মন্দিপ সিংহনা মথংশিংনা রন ৩৯, ৪৩ অমসুং ৩০ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোরশিং ওইখি।

দিল্লি কেপিটেলসনা মায় পাক্নবগী রন ১৬৭ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ১৫২ লৌখিবদগী মেটচ অদু কিংস এলভেন পঞ্জাবনা রন ১৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

দিল্লি কেপিটেলসকী ওপনর পৃথবী সো রন অমত্তা লৌরমদনা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর সিখর ধৱন রন ৩০ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন শ্রেয়াস আয়রসু টিম অসিগী অপুনবা স্কোরদা রন ২৮ হাপচিনবা ঙমখি।

৫শুবা বেটসমেন রিসব পন্টসু বোল ২৬ মায়োক্নবদা সিক্স ২ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩৯ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন কোলিন ইনগ্রামনা লৌরম্বা রন ৩৮ নত্তনা মখা তানা চঙলকখিবা বেটসমেনশিং রন নীংথিনা লৌবা ঙমখিদবদগী ৱিকেট ১০ আওট ওইরগা শুপ্নগী রন ১৫২ দা লোইশিনখিবনি।

পঞ্জাবগী বোল্লিং সাম কুরাননা দিল্লিগী বেটসমেন ৪ আওট তাহনবা ঙমদুনা মেটচ অদু মায় পাকপদা চাওনা মতেং পাঙখি।

# আর্সনেলনা ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা মফম কনখ্রে


*লন্দন, এপ্রিল ০২ঃ*

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৩১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা আর্সনেলনা ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

লন্দনদা লৈবা ইমিরেটস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৩১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদুদা আর্সনেল অমদি ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা য়াম্না লম্বা মান্নবা শান্নবা হৌরকখি।

অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনট ২০ হেন্না চঙশিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা আরোন রামসেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হেক হৌরকপদগী পাঞ্জল শোথদুনা লৈরিবা ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা কন্না হোৎনদুনা আর্সনেলগী মায়কৈদা এটেক তোয়না তোয়না তৌদুনা শান্নরকখিবা অদু আর্সনেলগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মতম কুইনা লৈখি।



মেটচ লোইগদবা মিনট ৭ ৱাৎলিঙৈদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা আর্সনেলগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা আলেকজেন্দ্রি লাকাজেটনা টিম অসিগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু ২–০ দা মায় পাক্লগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা লিভরপুরনা মেটচ ৩২ শান্নবদা পুন্না পোইন্ট ৭৯ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। লীগ অসিগী মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মেটচ ৩১ শান্নবদা পোইন্ট ৭৭ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ফ্রান্সকী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা সেন্ট ইটেনিনা নিমসপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নবগী ২শুবা মিনটতা নিমসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা এন্টোনি বোবিচোননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৪শুবা মিনটতা সেন্ট ইটেনিগী শান্নরোই রেমী কাবেল্লানা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমদুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭৯শুবা মিনটতা সেন্ট ইটেনিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রোবার্ট বেরিকনা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা নিমসপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।